## রাজবাপু মেমোরিএল জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ ঃ
য়ঙ মেন দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (ৱাই এম দি ও) হৈরাঙ্গোইথোং ৱেষ্টনা শিন্দুনা হৈরাঙ্গোইথোং ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা এল রাজবাপু শর্মা মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ কেশ প্রাইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচ মরিদা আই জি ও ওইনাম, এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম, ৱাই এম দি ও টিম বি অমসুং ৱাই এম দি ও টিম এ হৈরাঙ্গোইথোং মায় পাকখ্রে।

টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা আই জি ও ওইনাম্না বি ৱাই সি চুড়াচান্দপুর সেট ৩-০ (২৬-২৪, ২৫-১৭, ২৫-১২) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম্না ভি এস এ মোইদাংপোক সেট ৩-১ (২৫-২২, ২৪-২৬, ২৫-১৯, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা ৱাই এম দি ও টিম বি হৈরাঙ্গোইথোংনা এস য়ু দব্লিয়ু সি নম্বোল ইরেংবম সেট ৩-০ (২৫-১৮, ২৫-১৭, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা ৱাই এম দি ও টিম এ হৈরাঙ্গোইথোংনা য়ু সি ৱাঙ্গোই লাইফ্রাকপম সেট ৩-০ (২৫-১৮, ২৫-১৭, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীখি।

হয়েং অহানবা মেচৱাই এম দি ও (য়ু) অমসুং বি ৱাই সিগা, অনীশুবা মেচ এন ৱাই ভি এ অমসুং ৱাই এম দি ও (এস) গা, অহুমশুবা মেচ য়ু সি অমসুং আই জি ওগা শান্নগনি। মরিশুবা মেচ ভি এস এ অমসুং এস য়ু দব্লিয়ু সিগা শান্নগনি।




## থ্রো বোলগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ ঃ
কর্ণাটাকাগী উদুপি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কাওপুদা এপ্রিল ২৮ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী ৩৮ শুবা সেনিয়র নেসনেল থ্রো বোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ট্রাইএল কম ফাইনেল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২০ গী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা লৈমপোকপম এসোসিএশন গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। থ্রো বোল এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্কদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।




## লোংজম তোম্বী নাকো ক্লবকীনি হায়রবদি তৌদবা থবক অমত্তা লৈরক্তে, য়ুনিফোর্ম ফাওবা শুরকখি


লৈখিদ্রবা লোংজম তোম্বী



সিভিল সার্ভিসেস ফুটবোল জর্নি ১৯৬৭, দেল্লি

হান্নগী মখা...
অমরোমদা, ৱাখল মান্নবা মশেল পুনমিন্নবা হায়বসিদি হৌনবনি। মীওইবা ঐখোয়সিসু ৱাখলবু মান্নরবদি পুনবসি ইরায় লায়না থোকই। হোকি অসিদদি খরবু হেন্না চান্নরুরবা হায়বদুরা করিনো ঐহাকসি কুমজা ১৯৬৩ অসিদসু কলকত্তাদা বাইটন কপ শান্নবা চৎচরকখি। অদুগা ঐনা হোকিদা শান্নজরকপা পোজিশন অসিনা রাইট হাফনি। ঐখোয় মতমগী হোকি প্লেয়রশিং অদু হোকি মশক খঙনা শান্নবা ফনা য়াম্না য়াওখিবনি। অফবা কোচ অমত্তংনগা ঙল্লিঙৈদুদগী কোচিংগা পীবিদুনা নীয়ম কানন চুম্না গাইদ তৌদুনা লাক্লম্লগদি মণিপুরদি য়াম্না ঙন্না ওলেম্পিক্কা য়াওবা ঙল্লমগদবনি।

ঐখোয় মতমগী হোকি শান্নরোয় মরক্তা, এস লোকেশ্বর অসিসু হোকি ফজনা শান্নরকখিবা প্লেয়রনি। মাদি ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকী ফুটবোলসু চঙখোন্না শান্নরকপনি। মমিং হেন্না চৎপদি হোকিনা খরা হেনখি। সনসম কুঞ্জবিহারি, মতমদুদা মহাকসি গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী ছাত্রনি, গুৱাহাটিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তৌদুনা লৈবনি, মাসু শান্নবা পামজবদগী মণিপুর হোকি টিমদা য়াওদুনা শান্নবনি, কুঞ্জবিহারিসিসু বেক পোজিশনগী অফবা শান্নরোয়নি। অরাম্বম লোকেন্দ্র সিংহ, তামো জুগীন্দ্রোকুমার (ইবোতোম্বী), লাইশ্রম নবকুমার, পী জুগীন, টি খোলৈ, ইবোতোম্বী শর্মা ঐ ইশামক ঐখোয়সি বাইটন কপ শান্নবা চৎমিন্নরকখিবনি।

হোকি অসিদসু ঐহাকসি মতম শাংনা অদুমক শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৬৮ ফাওবসি মণিপুর এলেভেন টিমদা য়াওদুনা আসাম মনুংদা তৌখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্টতা, সিভিল সার্ভিসেস টুর্নামেন্টদা পঙশান্দা শান্নরকখি। মণিপুরগী হোকি শান্নরোয় ময়াম অমা কুমজা ১৯৬৮ দা আসামগী নীলগীরি হিলসতা পাঙথোকখিবা ওল আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোকি টুর্নামেন্টতগী আসাম ফঙবা ঙল্লকখি। মতমদুদা আসাম ফঙবা

### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং — রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

হায়বসি ফরবা প্লেয়রনি। মরমদি করিগীনো হায়বদা, অহানবদা মণিপুরগী শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়গী অহানবা টার্গেটসি মণিপুর এলেভেন টিমদা য়াওননবা হোৎনবনি। মথংদা আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মায়পাক্লবা আসাম ফংননবা চঙশিনবনি। আসাম টিমদা চল্লবা মতুংদা নেসনেল হায়বদুদা শরুক য়াবা ফংগদৌরিবনি। মসি ঙম্লনবা হোৎনবসিদা ইশাগী লন্নাই ওইবা ট্রেনিং তৌজদবা য়াবপোৎ নত্তে। লোন্না লোন্না ঙম্লনবা হোৎনরিবনি।

কুমজা ১৯৬৮ দা ঐখোয় আসাম ফংমিন্নখিবা মণিপুর মচাশিংদুদি মথংশিংনা এস লোকেশ্বর (টিম কেপ্তেন, ১৯৬৮), তামো জুগীন্দ্রো কুমার, টি ঐচ সুনিল, জী দ্বিজমনি শর্মা, কে ঐচ সুরেন, পী ইবোচৌ, ৱাই বাবু (মদনেশ্বর রোই), ঐহাক ইশামক, এল তোম্বী ঐখোয় ময়ামসিনি। খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী বাবু অসিদি কুমজা ১৯৬৮ গী মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী (গোল কিপর) ট্রাইয়েল ফাওবা কৌরকখিবনি। জি দ্বিজমনি শর্মাসিসু মতমদুদা য়াম্না প্রোমিজিং প্লেয়র ওইনা সেনিয়র মরক্তা য়াওরকখিবনি। হোকি মশান্নসি মণিপুর মচাগা খরা অদুমক চান্নরকপনি। ঐহাক ইশাগী ওইনদি কুমজা ১৯৬৮ অসি শান্নবা তপ্পা তপ্পা লোইশিল্লক্লবা মতমনি। অদুবু শান্নবদি শুম পামজবনিনা ক্বাকৈথেলগী লাইশ্রম নব (ফুটবোলদা মমিং লৈরিবা মীওইসি, হোকিদসু ফজনা শান্নবা প্লেয়রনি) অসিগা ঐখোয়নিসি গুৱাহাটিদা লৈদুনা ক্লব অমদা অমুক য়াও, অমদা অমুক য়াও তৌদুনা পঙশান্দা শান্নরগা লৈবা মতম অমসু লৈখি।

মণিপুরী রাজবারী স্পোর্টস ক্লব হায়বদুদগা শান্নদুনা পঙলৈদা লৈথোকই। নহা ওইরিঙৈদুদদি শান্নবসিদা ঙাওখ্রদুনা য়ুমদগা হল্লক্কনি কাউই। গুৱাহাটি মণিপুর বষ্টিদগী গোল কিপ্পর শান্নবা বসন্তা কৌবা অমসু লৈরম্মী। মাগা ঐখোয় খরা পুল্লগা "মণিপুরী রাজবারী স্পোর্টস ক্লব" হায়বসি টিম 'সি' দগী সেনিয়র 'বি' ফাওবা পুখৎলমখি নুংবু নুংশি নীংশিংলুবদা, নবা ঐখোয়নীনা অয়ূক্তা মুরি খরা চারগা, চাঙাং থল্ল-থল্লগা শান্নবকাসু য়াম্না য়াওখি। নহা ওইরিঙৈ মতম, ফনা য়াম্না চহী লৈশিল্লক্লবা ফাওবা, ইশাসি স্পোর্টসকাদি লাপ্ন রকখিদবনি। শান্ন খোৎনবগী ৱাখলসিদা তাওরগা অদুম লাকচখিবনি।

নাকো ক্লবকী মতাংদসু ক্লবসিগী ফাউন্দর অমা ওইনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনজরকপগী মপান্না, নাকো ক্লবনা কুমজা ১৯৫৬ তা সি সি মীটকী ৱিন্নর ওইবা ঙমজখি। সি সি মীট হায়বসিদি মণিপুরগী ওইনসু খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোলগী টুর্নামেন্ট অমনি। মসিদা মায়পাকপা হায়বসি অচৌবা লানফম অমা জয় তৌবগুম্বনি। নাকো ক্লবনা মমিং লৈনা ফাওরকখিবসিসু ফুটবোলদগীনি। কুমজা ১৯৬১ সিদদি ট্রাওনা ৱিন্নর ওইরগা নাকোনা রন্নর্স-অপ অমুক তাই।

কুমজা ১৯৬৩ অসিদনা নাকোনা অমুক ৱিন্নর ওইরগা ট্রাওনা রন্নর্স-অপ অমুক লৌখি। অসিগুম্বা ৱাফম ময়াম অমা ফোঙদোকচবা ফংজবসি য়াম্না নুংঙাইজে। লোইশিল্লকপা অসিদা হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিং, লমদমসিগী শান্নরোয়শিং লোয়ননা শান্নবগী এসোসিয়েশন পূম্নমক্তা ৱাফম খরা অসিসু হায়জনিংই মদুদি মণিপুরগী স্পোর্টস চাউখৎনবা হোৎনবদা পুকচেল তিংনা থবক তৌবিরকউ। স্পোর্টসকী ৱাহন্থোক মশক মুন্না খঙবীয়ু। অঙম অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীরকউ। মণিপুরদগী হোকি অমদি ফুটবোলগী শান্নরোয় লেপ্তুনা পুথোকসি। কৈদৌনুংদা মশান্না অসি লৈখা তাহল্লোইসি। শাংলবা চহী কয়া অহল-লমনশিংগী মতুং ইন্দুনা শান্নরক্লিবসি, মখা তানা ইচা ইনাওশিংনা য়োকখৎপীরকউ।

*ঙসিদি পাবুং লোঙজম তোম্বী ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে। অদুবু পাবুংনা লীবিরম্বা ৱারী কয়া অসিদি মতম চুপ্পদা লেংদনা লৈহৌরগনি। মণিপুরগী স্পোর্টসতা মফম ফংবিখিবা নাকো ক্লবকী ফাউন্দর অমসু ওইবিখিবা পাবুং তোম্বীগী থৱায়না ইংনা চিক্লা মপুগী লৈকোলদা পোথানবগীদমক হুইয়েন লানপাউগী মাইকৈদগীসু নীজরি।*

*-লোইরবা-*

## ক্লাসা কৈনৌনা এফ সি মোইরাং মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা দি এস এ ট্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল লোইখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ক্লাসা কৈনৌনা এফ সি মোইরাং গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্লাসা কৈনৌ সেমী ফাইনলে চঙখিবনি। ক্লাসাগী মখূৎতা মায়থীহৌরবা এফ সি মোইরাং সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা ক্লাসা কৈনৌ অমসুং এফ সি মোইরাং অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নজরবসু ক্লাসা কৈনৌগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নখিবনা গোল অহুম থংনা থংননা চনশিন্দুনা এফ সি মোইরাংদগী গোল অহুম মাঙজিল থাখি। অদুবু গোল শোথহৌরবা



এফ সি মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা শান্নরকপনা গোল অনী থংনা থংননা মেচকী লোইরমদাই মতমদা চনশিন্দুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা হোৎনখি অদুবু গোল অনীদগী হেন্না চনবা ঙমখিদবনা এফ সি মোইরাং ক্লাসাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

ক্লাসা কৈনৌগী গোলশিং রোমেসনা গোল অনী মেচকী ২০ অমসুং ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি। হেরোজিৎনা গোল অমা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি। এফ সি মোইরাংগী অহানবা গোল ন্যুটোন্না মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা অদুগা মোমোচানা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৮০ শুবা মিনিটতা চনখি।

## ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ ঃ লসাল লৈমপোকপম খুনফম্না শিন্দুনা ঙরাংদগী ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট ২০১৬ এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট টিম ২৬ না শরুক য়াদুনা চথবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙরাং শান্নখিবা অহৌবা নুমিৎকী অহানবা মেচতা য়ঙ বোইজ তাকয়েলনা আই জি এ লৈমপোকপম গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতা লসাল (এ) না কে ৱাই সি কৈনৌ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।




